ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ২৮, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৩৫ শুবা মশীং

# মীয়াম শাউনরক্লে

## *পোৎকী মমল লাকশিল্লগা থম্ফম থোকই*

***সদর*** হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়বা ৱাকৎতা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না থা অসিগী ১ দগী চত্থরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ হৌজিকসু হন্দোকপগী ৱাফম লৈত্রি। ব্লোকেদ অসি হন্দোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী আপিল য়ু এন সীনা তাখিদ্রে। লৈঙাক্নসু হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এন সীগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবগী ৱাফম লাপ্না লৈখ্রে। ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টসু মীখল ময়াসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী য়াইফনবা মিৎয়েং চঙনিংদবদৌনা তৌরে। পুম্নমক অসি য়েংলুরগা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদ অসি ঙসিমক নৎত্রগা হয়েংমক হন্দোক্কনি হায়বগী ওইথোকপসু লৈত্রি। মরক অসিদা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ অমসুং মহাক্কা পুন্না খোঙবু ওইমিন্নখিবা লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মণিপুর পুলিসনা ফারগা নুমিৎ ১৪ নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা থল্লি। হৌজিক্তি ৱাথোক অসি ফনা নিংথিনা উরে মদুদি মণিপুর লৈঙাক্না সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগা মরী লৈনবা ৱাফম্মক নৎত্রবসু ঙাইহাক লৈতনা ব্লোকেদ তৌবগী চৎনবী অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরগে হায়বসিনি। লৈঙাক্কী ফীরেপ অসি য়াম্না লৈবাক মচা তাবা অমসুং হৌজিক্কী মতমদা তঙাই ফদবনি হায়না লৌবা চুমই। মরমদি মীয়ামগী থবক তৌরিবনি হায়বা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা ঙাইহাক লৈতনা নেসনল হায়ৱে থিংজিন্দুনা থল্লগা মণিপুর লৈঙাকপু করিমত্তা তৌবা ঙমজদবা অমগুম্না লৈহল্লকপসি চহী শাংলক্লে। মিৎয়েং অসিদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হন্দক্তী চপ চানা থেংনরে হায়বগী মতাগুম চপ চাবা লোগী থবক লৌখৎলকপগী মমি উরে। মমি অসিনা তাক্লিবদি য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট অমসুং মহাক্কা লোয়নবা বেল লৌদ্রবদি লৈঙাক্না তহা-তহা থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। খোঙথাং অসিনা ওইহল্লক্কদবা খুদোংচাদবশিং অদু মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক খঙমিন্নবা চুমই।

মণিপুরদা দিমণিটাইজেসনগী চৈথেং লৈরম্বদুদি তপ্না তপ্না হম্থরক্লি। অদুগা ইকনমিক ব্লোকেদনা পীরিবা চৈথেংদি নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী মীয়াম্না ক্য লেপত্রবদি থবক অমত্তা তৌবা ঙমশিল্লক্ত্রে। পেট্রোল নৎত্রগা দিজল লৌনবগীদমক মতম শাংনা ক্য লেপ্পা, শেল কায়থোক্লবা নৎত্রগা লৌথোক্লবগী ক্য লেপ্পা, তঙাই ফদবা পোৎলম-চৈরমশিং ফংনবগীদমক মফম কয়াদা ক্য লেপ্পনচিংবগী থৌদৌ অসিনা মীয়াম শাউবা অসুম হেনগৎলক্লি। ফীভম অসি অফবা নত্তে। অশাউবা অসিনা করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোরক্লবদি মণিপুরদা অচৌবা লাঞ্জাও ফাওবা থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈ। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংদা লল্লোন-ঈতিক তৌবশিংনা পোৎ ফংদবগী মিংদা মমল কা হেন্না ৱাংনা পোৎ য়োনবগী চৎনবী অসি লাকশিনফম থোকই। ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা নুমিৎ খুদিংগী পুশিল্লক্লম্বা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপগী খোঙজেল তপথরকখ্রে। লম্বী শাংই, লম্বীদা মতম শাংনা পল্লকই হায়বগী মিংদা পোৎশিং অদুবু চেল্লিবা লল্লোনবশিংনা মমল তঙ্খায় হেনগৎলগা হোলসেলদা পোৎ য়োনবা শাদুনা থাদোরকই। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু অতৈ রিটেল্লরশিংনা লৈরগা মথং-মথং মীয়ামদা ফংহল্লকপদদি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা পোৎচৈগী মমলশিং ৱাংখৎলক্লি। খুদম ওইনা পল্লবদা তিল্হৌ কে জি অমদা লুপা ৬০ দগী ৮০ ফাওবা, আলু কে জি অমদা লুপা ৬০ দগী ৮০ ফাওবা পীরি। বেসোন, হৱাই কাংতক, হৱাই মঙ্গল মপুম্নচিংবা পোৎলম-চৈরম খরদি কৈথেলদা উখিদ্রে। ৱাংখৎলক্লিবা পোৎচৈগী মমল অসি লল্লোনবশিংনা শান্নবনি হায়বসি অচুম্বনি। অসুম্না মখোয়না লায়রবা মীয়ামগী ঈ চূপ্পগী মওংদা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌরিবসি থিংননবা লৈঙাক্ক া অখন্নবা মিৎয়েং চঙবা চুমই। লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ৱাফমনি হায়রবসু ইম্ফালদা য়ৌরক্লবা পোৎচৈশিং অদু মমল হেনগৎনা মীয়ামদা য়োনফম থোক্তে। গভর্ণমেন্টকী মেছিন্নরিশিংনা থবক তৌবা ঙল্লক্ত্রবসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা পোৎচৈগী মমল হেনগৎলকপা থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎপা মতম য়ৌরে হায়জনিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

## নামুং পুংজৈ চনবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইকনমিক** ব্লোকেদ চত্থরিবসি মতম খরগা শাংদোকপীয়ু, মরমদি মসিনা করবার তৌরিবশিংদা শেনে দাং য়াম্না ফংই। থাউ, গ্যাস, চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োনবদা শেন্দোং য়াম্না লৈ। লুপা ৬৫ পীবা পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ২৫০ দগী লুপা ৩০০ ফাওবা য়োল্লি, গ্যাস লুপা ৭৫০ পীবা সবসিদিসু ফংবদু লুপা ২০০০ দা য়োল্লি । মসিসু লৈগদবনা য়ামন্দুনা ক্যুদা পীবা ঙমদদুনা হন্নখিবা কোঙ্গাইনি, পীয়ু হায়বনা পীক থল্লি। পোৎ য়োনবগী নুংঙাইবদা খম থেংলে। থাউনা ইকং থোক্লিঙৈ মতমদদি মহৈ তম্ফমশিং লোইনা ছুটি ওইখি। মহৈরোয়শিং স্কুল চৎনবা ভেন্নচিংবা চেন্দবনা মরম ওইদুনা মহৈ তল্লিবা অপীকপদগী হৌরবা অচৌবা ফাওবা ছুটি ওইবনা লাইরিক হৈবা হৈতবা স্কুল কাদবগী হরাওনবা কয়ানি। মাঙবা তোংবগী ৱাখলদি খঙদে, অশিবা মচানি হিংলিঙৈগী ৱা খঙদে ঙসিগী খুন্নাইগী চৎনরোল। কাঙবু অমগা, কাঙলূপ অমগা অমনা পামই শেমগৎ শাগৎপা অমনা পামদে, অমনা শাগৎহন্নিংদে অমনা শানিংই, য়েৎনদুনা লৈরগা লোইরে তুংদা চাওখৎলকপগী ৱা খঙদে, য়েৎলগা লোইরে। য়েৎপগী মীংচৎ উরোং খিন্নবা হোৎনবীয়ু মতম লৈরিঙৈ তাঞ্জা চারিঙৈ। লৈবাক্কী মপী-মপাশিং খ্বাই খিবিক্না মিদিয়াবু থাগৎলি, য়োকখৎসি লাউরি অথৌবশিং।

মিদিয়াগী মীওইশিংনা ৱানা হোৎনজদুনা মীয়ামগী মিৎ নাকোং ওইনবা ইজরকপা ফংজরকপা পাউশিং অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল, তৌগদবা তৌরোইদবা নৈনবীদে, লৌখৎপীদে অমসুং চৎনদে। অহল লমনগী পাউরৌদা থম্বীরমই অসুম্না শামু মথুন্দা (মতুংদা) পেনা খোঙবা, মসিরা মিদিয়াগী নীংতম্বা হায়বদো। শেঞ্জা থুমজা থিংনবা ব্লেক মনি থিংনবা অমসুং জালি নোট শীজিন্নবা য়াদনবা লৈঙাক্কী অনৌবা থৌরাং মখাদা লুপা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবদগী বেঙ্ককী খূৎথাংদা শিনবা ঙমদবা মীওইশিংনা লুপা ৫০০ চৎপী লুপা ১০০ তারগা কায়থোকপা য়াই, শেন্দোং য়াম্না লৈনা। চাওখৎলে মণিপুর অৱাৎপা লৈতে, ফংদবা লৈতে। অহোংবা (অওনবা) পুবিরক্লিবা মতম কৌবী লাইরেন্বী ইমানা পুবিরক্লি অনৌবা য়াওল। মতম অমদা চৎনরম্বা মল্লবা শীজিন্নরমদ্রবা পোৎলমশিং শীং (উ অকংবা), মৈতাল, ৱাই (ফৌগী মকু) নচিংবা মমাঙঙৈগী পোৎশিং শীজিন্নরে গ্যাস ফংদবা মরম্না চাওখৎলে অরিবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা অৱাবা মায়োক্নরি, নুংঙাইবনা থল্লে চাওখৎ খোঙথাংগী লমজিং মখাদা। মীশিং য়ামখৎলকপগী অৱাবা লৈরোই, কোক্লনি ৱারুরনু চাবা ফংদদুনা লেপশি শিজরনি (উ কংবদৌনা) অদুবু লুরিবদি হৌজিক মাঙদা তাদুনা লৈরে ভোট হায়বদো । মাই পাক্লিবসি মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা মীওইদুন। মশীং থিবদা অমা হেল্লগদি কাদৌরিবনি। মখোয় মখোয়গী মীওই অমা অনী কংশি শিখ্রবদি শোয়দনা মায়থীখিবা য়াই। মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইগদৌরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিং খ্বায় খিবিক্কী য়াইফ পাউজেল পীজরি। মীচম মীয়ামশিংসু নৈনবীয়ু কাখ্রবদি লোইনা কাউখ্রনি। পোলিটিক্সতা মতিক মগুন লৈরবশিং মায় পাক্না শেন্দোং তানগে খল্লিবা ৱাখল শেলেপ মাঙদুনা তোকচনি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩**

১। ‘তৎখ্রবা পুন্সি লৈপুন’ ইবগীদমক একাদেমী এৱার্দ ফংখিবা অইবদু কনানো?
২। কবি শ্রী বীরেন্না লীলা অমখক ইরম্মী। মমিংদু করি কৌবগে?
৩। অইবী খাইদেম প্রমোদিনীনা নোভেল অমখক ইরম্মী। মমিংদু করি কৌবগে?
৪। 'The Shadows of Statues' হায়না ইংৱাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোয়দু কনানো?
৫। ‘নিংঙোল কা’ রেদিও দ্রামাগী অইবদু কনানো?

**ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।**

## *লৌমীশিংগী কাখল*

# তিলহৌ পান্বীদা তাবা লায়না

### ডা: এম থোইথোই সিংহ

**তিলহৌ** পান্বীনা হৌরিঙৈ অমসুং খাওরবা মতুংদা নাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ডাউনী মিলডিউ, পরপল ব্লোটচ, ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট, ওনিয়ন স্মট, ব্লেক মোলড, বেসেল রোট, হ্বাইট রোট ষ্টোক রোট অমসুং সোফট রোট মমিং পনবা য়াই।



**ডাউনী মিলডিউ ঃ**

লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্বী মথীক নেম্মী, মচু শংজরবসু তাইফেট তাইনা লৈগনি। লায়না অসি পান্বীগী মফম শীন-থুংনা শন্দোকই। নুংশিত্তা ঈশিং মনিল ৱাংবা, লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা তিলহৌ মনা পূম্বা মঙ্গ্রা মচু চংলপ তৌবা কোকফাই অমসুং কোকফাই মরুশিং নপ-নপ্পুনা লৈ। অদুবু নুংশা লাংবা খরা হেন্না কংলপ তৌবা মতমদদি মচু তাইফেৎ তাইবা ঙৌরুনবা মচু মপাক মপাক ওইনা লৈবা থেংনগনি। মনাগী মশা খরা হেন্না শোক্লবা মফমদা তেক্তুনা হায়থবা অমসুং মতোন থংবা শরুক্তু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীয়ু। কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা অমুক কাপথোকপীয়ু নৎত্রগা Zeneb 75 WP ওইনা চপ মান্নবা মওংদা শীজিন্নবীবসু য়াই।

**পরপল ব্লোটচ ঃ**

মনা অমসুং মপান শারীবা মখোক্তা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং লৈরম্বদগী কোনা মচু চঙলকই। মতুংদা মঙ্গ্রা মচু মান্না মপাক মপাক পোকথোকপা থেংনগনি। মপাল শারীবা মখোক অদু লায়না অসিনা শোকহল্লবা মফমদা তেকথরক্কনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীয়ু কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা অমুক কাপথোকপীয়ু।

**ষ্টেমফাইলয়িম ব্লাইট ঃ**

মনা কাথেকপী লায়না অসি হৌরকপদা মনাগী শরুকশিংদা শংলি-শংলি তৌনা তিম্মুল নাপুল মচু চঙবা অশাংবা (ময়ুংলোমদা) দাগশিং লৈরম্বদগী দাগশিংদু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ নৎত্রগা কাপ্টান গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। নুমিৎ ১৫ কান্নরগা অমুক হন্না কাপ্লবদি লায়না অসিদগী ইরায় লায়না কনবা ঙমগনি।

**ওনিয়ন স্মট ঃ**

নৌনা হুনবা, পোকখায়রবা মতুং নুমিৎ ৭/৮ মুক শুরবা মনা থীনগৎলকপা পঙকুই কুইদ্রিবা তিলহৌ মরূশিংদা লায়না অসি তাগল্লি। মনাশিংদা অমুবা থাগৎলপ তৌবা দাগশিং লৈগনি। মসিনা মরম ওইদুনা মনাশিংদু কোন্থ-কোন্থনা লৈবা থেংনগনি। ফুগ্রিদৌনা তোংথোকপা দাগ কয়া তিলহৌ মরূগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা থেংনগনি। হায়রিবা দাগশিং অসি কায়রকপদা অকুপ্পা অমুবা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোকচবা ঙমজবা কোকফাই মরু কয়া থাদোরকপা থেংনগনি। লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্বীশিংনা চয়োল ৩/৪ গী মনুংদা শিগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

লায়না অসিগীদমক্তদি মরু ওইনা লৈরিঙৈদা হীদাক তোৎহৌগদবনি। মরু কিলোগ্রাম অমদা কাপ্টান নৎত্রগা থিরাম গ্রাম অনীগী চাংদা তোৎপীরগা হুনবীগনি। নারবা পান্বীশিংদা Anumill M 72 নৎত্রগা Master গ্রাম অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীবা য়াই।

**ব্লেক মোল্ড ঃ**

খাওরবা তিলহৌ মরূশিংদা অমুবা কোকফাই হায়গত্তুনা তিলহৌ মরূশিংবু মশক থীহল্লি। তকথোক নানথোকপদা মশা নান্না লৈ, তিলহৌ মরূদুদা করিসু অকায়বা পীদবা মাল্লি। অদুবু অসুম্না অমুক কোকফাই হায়গত্তুনা লৈরবা তিলহৌ মকুশিং মথং মথং পৎশিল্লক্তুনা মনুং য়ৌরকই। হায়রিবা থবক অসি ঈশিং মনিল ৱাংবা অমসুং খরা শাগৎপা মফমদা তৌগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

(১) মরূ হুন্দ্রিঙৈদা মরূদা হিদাক তোৎহৌগনি, মসিগীদমক কাপ্টান নৎত্রগা থিরাম গ্রাম অনী মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎপীহৌগনি। (২) Carbendazim 50% WP গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা তুমহনবীরগা কাপথোকপীগনি। খাওগদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা অমুক হন্না কাপথোকপীরবদি লীদুনা থম্বা মতমদা লায়না অসি তাবগী চাং হন্থগনি।

**হ্বাইট রোট ঃ**

কোকফাইনা থোকহনবা লায়না অসিসু লৈবাক্তুগী শন্দোরকপনি। লায়না অসিনা তিলহৌ মরূগী শরুকশিং মরা, মউ অমসুং লিফ সিথনচিংবা কয়াবু পৎহল্লি। লায়না চেল্লবা মনাশিং নাপু চঙলকই, ইহান হাম্না লৈ মতুংদা পান্বী পূম্বা শি।

**ষ্টোক রোট ঃ**

বেক্টোরিয়ানা থোকহনবা তিলহৌগী মখোক পূম্বী লায়না অসিনা তিলহৌগী মপাল য়াওবা মখোক্কী মখা ইথং থংবা শরুকশিংদা পৎশিল্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা মপালশিংনা মরূ চংদ্রিঙৈদা পৎলকই, মরু চঙবা ঙমহন্দে। বেক্টোরিয়া অসিনা তিলহৌ মরূগী মপানথংবা শরুকশিংদা লৈরম্বদগী মরুগী অশোকপা মফমশিংদা চঙখিদুনা মখা তানা পৎহল্লি। নমথিবা মনম থাদোরকই।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

হুনগদবা মরু অমসুং লিংগদবা মরূশিংদু Streptocyclene গ্রাম অমা ঈশিং লিটর ১০ গী চাংদা য়ানবীরগা পুং অনী তিংবীগনি। Streptocyclene গা Captan নৎত্রগা Carbendazim নৎত্রগা থিরামগা পুনবীরগা শীজিন্নবীবা য়াই।

**সোফট রোট ঃ**

তিলহৌ পান্বী পৎপী, রেক্টোরিয়াগী লায়না অসি তিলহৌগী মঙক্তগী হৌরকই। মথং মথং ফাওজিনখিদুনা তিলহৌ মরূগী মনুং য়ৌশিনখি মতুংদা চোৎ চোৎ লাওনা পৎলকই। মঙক্তা থেক্তুনা য়েংবদা নমথিবা মনম য়াওবা কোঙ্গোল অমসুং মহি থোরক্কনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈ ঃ**

(ক) তিলহৌ তানথোকপদা খূৎশু খূৎলায়না তিলহৌশিংবু শোকপা খোৎপা তৌহল্লোইদবনি। (খ) লায়না চেন্দ্রবা মঙক চেৎলবা, মপানগী কুয়োম কংলবা মনা মপূং ফানা কংলবা তিলহৌতমক লীবিগনি। (গ) তিলহৌশিং লিননবগীদমক খাওগদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা Carbendazim 50% WP গা Plantomycin গা গ্রাম ৫/৫ লৌবীরগা ঈশিং লিটর ১০ গা য়ানবীদুনা কাপথোকপীহৌবা ফৈ।

পঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসিগী মনুংদগী খরদি তিলহৌ থাবীরিবা মীওইশিংনা শোয়দনা থেংনবীরবা ঙাক্তনি। হীদাক অমা হেক্তা লৈশিল্লগা পঙকাপ কাপ্পা তৌবিদনা করি লায়নানো? করিনা থোকহনবনো? হায়বনচিংবা খঙদোকপীরগা চপ চাবা হীদাক শীজিন্নসি। পান্বীদা কুইনা তুংদুনা লৈগদবা; মীওইবগী হকচাং য়ৌরক্কদবা হীদাক শীজিন্নরোইসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

# অঙ্গুর পান্বীগী মশা মরেং ককপা অমসুং পান্বীগী মওং শেম্বা

### এস সুমঙ্গল সিংহ

**অ**ঙ্গুর অসি সব ট্রোপিকেল হায়বদি য়াম্নসু শাদবা য়াম্নসু ঈংদবা মফম মণিপুরগী অয়িং অশাদা খ্বাইদগী পক্লবা উহৈ পান্বীনি। মসিগী শীজিন্নফম অমদি কান্নবদি ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। উহৈ ওইনা চাবা, য়ু শুংবদা, রাইসিন্স (কিসমিস) শেম্বদা শীজিন্নরিবা অদুনি। হৌজিকসি নবেম্বর থা লোইশিল্লকপগা লোয়ননা নোংগী মতমসু ওইশিল্লক্লবা মতমসিদা অঙ্গুর মশা মরেং থাদোকপা হায়বসিগী মরমদা খঙজিনবগী কান্নবা লৌমিন্নসি। মসিগী মতম অদুমক লৈরি।



**শগাই শাবা অমসুং মশা মরেং ককপা ঃ**

শগাই শাবা অমসুং মশা মরেং ককপগী মরমদা মসি করিনো অমদি করিগীদমক তৌরিবনো হায়বদু খরদং খঙখিসি। শগাই শাবা হায়বসি মরু ওইনা পান্বীগী মওং শেম্বা অদুবুনি। পান্বীগী মওং শেম্বসিবু ট্রেনিং হায়না খঙনরিবদুনি। শগাইগী মওংগী মতুং ইন্না পান্বীগী মওংসু ওইগদৌরিবনি। মসিগী মরু ওইরিবা থবক্তি পান্বীগী মশা মরেং কয়া লান্না করম্বা মাইকৈদা অমদি কয়াম পাক শন্না চত্থগনি হায়বদুনি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ১) পান্বীদা নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা অমসুং পোথোক হেলহনবনি। ২) ভেরাইটিদুগী চপ চাবা মওং শেম্বীবা। ৩) পান্বীদুবু নৎত্রগা অঙ্গুরগী হৈকোন্দুবু শেন্নবদা লায়নবা মওং ওইহনবা অমসুং ৪) অঙ্গুর পুথোকপদা শেন্দোং লৈহনবা অসিনি। পান্বীগী মশা মরেং ককপা হায়বদি প্রুনিংগী মরু ওইবা পান্দম্না পান্বীগী চান্নবা অমসুং অপাম্বা মওংদা চাওহনবা নৎত্রগা পীকহনবা অমদি পান্বীগী মওং শেম্বনি। ২) পান্বীদা মাগী চপ চাজবা মওংদা অঙ্গুর পালহনবা অমসুং ৩) মশা মরেংগা উহৈ পানবগা খল চাশিন্নহনবনি।

শগাই হায়বগী মরু ওইবা মওং খরা হান্না মমিংশিংদুখক্তং ওইনা থমজগে। অঙ্গুরগী শগাই মওংদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চানরিবা মওং অনীদি পান্বীগী মখোঙ ওইরিবা শরুক অদু ফুট ৪ দগী ৭-৮ মুক ৱাংনা মচৈ ওইনা কাহল্লগা মাইকৈ খুদিংমক্তা শন্দোকহন্দুনা ছাতিন খন্দোকপগুম মরী চৎহনবা (হেদ) সিষ্টেম অসিগা তরা মথক মখা মরোল অনী অহুম তিংলগা নৎত্রগা মরোল অমখক্তং তিংলগা তারাগী পরিংদা মরী চৎহনবা অসিগা অনী অসিনি। হেদ সিষ্টেম অসিনা খ্বাইদগী লাইবা অমসুং শেন চঙদবা মওংনি অদুবু অঙ্গুর পানবগী চাঙদি খরা হন্থগনি। হায়রিবা মওং অনীসিদগী খরা খরা মওং হোংদোক হোংজিন তৌদুনা মাগী মাগী চান্নবা নৎত্রগা পামজবা মওংদা শগাই শাবা চৎনৈ।

ইন্দিয়াগী অঙ্গুর থাবা মফমশিংদা শানবা শগাই মওংশিংদি পেরগোলা, বোৱর, পান্দাল নৎত্রগা ওভরহেদ অরবোর সিষ্টেম্নচিংবা তোঙান তোঙানবা মওংশিং অসি খরা ইন্দিয়াগী মফমশিংদা শাহৌ য়াম্না ফবা অঙ্গুর মখলশিংগীদমক শীজিন্নৈ। হায়রিবা মওংশিং অসি অহানবগী ছাতিন মওংগী শগাই খূৎশা অদুনি। নোংচুপ ভারতকী ওইনদি তারা পরেং তিংবগী মওং অসিনি হেন্না শীজিন্নৈ।

**মশা ককপগী মওংশিং ঃ**

শগাই শাবগী মওং খেন্নবগী মতুং ইন্না মশা ককপগী মওংসু খরা অদুমক খেন্নগনি অদুবু মসিগী পান্দমদি মথক্তা থমখিবশিং অদুমকনি। অহেনবা মশাশিং ককপা, মশাশিং কক্লবা মতুংদা খাক্লিবা মশাশিংদা অঙ্গুর নীংথিনা পালহনবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে, পান্বীশিং তোইনা কুপ্না শেন্নবা চঙই। চোঙলিবা মশাশিং মশক মুন্না খঙবা চঙই। মরমদি অঙ্গুর পানগদৌরিবসি চহী ফারবা মশাশিংদনি। চহী ফারবা মশাশিং পান্বীগা শগাইগা চান্ননা কক্তুনা থম্বগা লোয়ননা মথং চহীদা অঙ্গুর পান্নবা মশা চোংলকফমসু অমুক মফম চানা থমগদৌরিবনি।

**মশা ককপগী মওং খরা ঃ**

খা ভারতকী মফম অয়াম্বদা চৎনরিবা পেরগোলা, বোৱর, পান্দাল (ওভরহেদ অরবোর সিষ্টেম) দা অঙ্গুর পান্বীশিং পরেংগা পেরংগা ফুট ১২ অদুগা পরেংগী মনুংদা পান্বীগা পান্বীগা ফুট ১৫ নৎত্রগা ফুট ১৫ গা ১৮ গা ওইহল্লি। পান্বীশিংগী মওং অদু ফুট ৭-৮ ৱাংনবা চপ য়ুংনা কাহল্লি। মসিগীদমক মশা ফবা মশা অমত্তং খাক্তুনা নাকন্দা চোঙলকপা মশাশিং থেক্তৎকনি। ফুট ৭-৮ ৱাংলবা মতমদা মতোন ককথৎকনি। মতুংদা লোংলকপা মশাশিং শারিবা শগাইদা মাইকৈ খুদিংমক্তা শন্দোকহনগনি। শন্দোক্লিবা মশাশিংগী মরক্তগী চহী ফারবা মশাশিং খল্লগা পান্বীগা চান্নবা মশা মশিং য়েংদুনা, মশাশিংদুদা মমিৎ ৫-৬ খাক্লগা মতোনশিং কক্কনি। মশা খরা অমনা মথং চহীগী মশা চোংনবা মমিৎ অনী খাক্লগা কক্কনি। মসিবু বেলেন্স প্রুনিং হায়না খঙনৈ। খাক্লিবা মমিৎ ৫-৬ পানবা মশাশিংদুদা পানবা মমিৎশিংদুদগী চোংলকপা মশাশিংদা অঙ্গুর পানগদৌরিবনি। অঙ্গুর চরোংশিং পাল্লবা মতুংদা অরোইবা চরোংদগী মতোনলোমদা মনা মঙা খাক্লগা মতোন ককথৎপসু তৌনৈ। মসিনা অঙ্গুর চরোং মপুং ফাবা হেলহল্লি। অতোপ্পা মমিৎ অনীখক্তং য়াওবা মশাশিংদা চোংলকপা মশাশিংদুনা মথং চহীদা অঙ্গুর পান্নবা শেমগৎপীগনি।

অৱাং ভারত্তদি তারা পরেং তিংলগা অঙ্গুর মরী চৎহনবগী চৎনবী লৈ। মওংশিং অসি kniffin, espalier, cane system নৎত্রগা কোরদোন সিষ্টেম হায়না তোঙান তোঙানবা মমিং থোল্লি। তারা পরেংশিং অদু অমনা লৈমায়দগী ফুট অহুম ৱাংহল্লি অদুগা অমনা ফুট মঙা ৱাংহল্লি। তারাশিং অসিদা অঙ্গুর মরীশিং অদু চৎহল্লি। অহানবা তারা অমসুং অনীশুবা তারাদা মওংগী মাইকৈ অনীদা মপূং ওইবা মওং ফারবা মশা অমমম পূন্না মশা মরী চৎহল্লি। মশাশিং অসিদা অঙ্গুর পাননবগী চহী ফারবা মশাশিং কক্তুনা অঙ্গুর পান্নবা হোৎনৈ। মমিৎ ককপগী মওং হান্নগা চপ মান্নৈ।

**মশা ককপগী মরু ওইবা পান্দম ঃ**

মশা মরেং ককপগী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা মশা মরেং চাগুংনদুনা লায়না তীলনা তাহন্দনা অঙ্গুর মপূং ফানা ফহনবগা লোয়ননা কান্নদবা মশা মরেং কয়ানা অরেম্বদা পান্বীগী মচিঞ্জাক চাখিগদবা অদুদগী কন্দুনা অকক্লবা মশা মশিংদমক কক্তুনা মপুং ফাবা মগুন লৈবা অঙ্গুর চরোংশিং পালহনবনি।

**মশা মরেং থাবগী মতম ঃ**

লম লমগী ওইনা খরা খেন্নবা লৈ। ট্রোপিকেল (অশাবা) লমদা চহী অমদা অনীরক প্রুনিং তৌই। নোংচুপ ভারত্তা মার্চ থাদা অঙ্গুর লোকপা লোইরবা মতুংদা মশা য়াম্না হেনজিন্না থাদোকনৈ। মসিনা অঙ্গুরগী মশা মরেং য়াম্না শন্দোকপদা মতেং পাঙই। মশা থাবা মতুংদা পাল্লকপা অঙ্গুর নোংজুথা লোইরবা মতুং ওক্তোবরদা মুল্লি। মতমসিদা পানবা অঙ্গুর মওং চাদে লোক্লদে। ওক্তোবর থাদা অমুক প্রুনিং খরা হন্থবা মওংদা তৌই। মসিগী মতুংদা পাল্লকপা অঙ্গুর মার্চ থাদা হেক্কনি। মসিনা মপূং ওইবা লৌরোকনি। হায়দ্রবাদলোমদা প্রুনিং অসি থা অমা চোন্থনা নবেম্বর থাদা ওইনা পাঙথোকই। মসিনা স্ক্রাব হায়রিবা লায়নাদগী নান্থোকপা ঙমহল্লি। খা ভারত্তা অঙ্গুর মফম অতৈদগী খরা থেংথৈ। উহৈ অসি মার্চ-এপ্রিলদা অমুক অদুগা ওক্তোবর-নবেম্বরদা অমুক মুল্লি। মতম অনীমক্তা অঙ্গুর নীংথিনা লোকপা ঙম্মী। মফম অসিদা অহানবগী প্রুনিং মে-জুনদা পাঙথোকই। অকোনবগীনা দিসেম্বর-জানুৱারিদা পাঙথোকই। হায়রিবা প্রুনিং অসি পান্বীদা ঈশিং পীদনা (চাইদনা) থা মখাই অমা থল্লবা মতুংদা পাঙথোকনৈ। অৱাং ভারত্তদি প্রুনিং অসি অমুক্তমক নীংথম থাদা তৌই। উহৈনা মে-জুনদা লোকই। মথক্তা থমজরিবা অঙ্গুর থাবগী ৱাফম খরা অসিগী কান্নবা লৌবীদুনা মণিপুরগী ফীভমদা অঙ্গুর পানবগী মতম নীংথিনা খঙবিবগা লোয়ননা মশা মরেং নীয়ম চুম্না থাদোক্তুনা অমদি শগাই মওং চুম্না শাবিদুনা হোৎনবদি অঙ্গুর থাবগী কান্নবা নীংথিনা ফংবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম অসি থমজরি।